# অনৌবা এটেকশিং চথনবা থৌরাং তৌবশিংনি চিংনবা মীওই ১২ বেলজিয়ম পুলিসনা ৱাহং পাউহং চথখ্রে

ব্রসেলজ, জুন ১৮ (এজেন্সী) :

বেলজিয়মগী প্রাইম মিনিষ্টরনা সিক্যুরিটিগী মিটিং অমা পাঙথোক্লবা শেম শাখিবগা লোয়ননা অহিং চুপ্পা লৈবাক্তুগী য়ুম ৪০ রোমদা থিবা হুন্বগী থবকশিং চথরবা মতুংদা অনৌবা এটেকশিং চথনবা থৌরাং তৌবশিংনি হায়না চিংনবা মীওই ১২ ফাগৎলে হায়না ফেদরেল প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পেরিসতা হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা সুইসাইদ এটেকশিং চথদুনা মীওই ১৩০ হাৎখিবা মতুং চহী অসিগী মার্চ থাদা ব্রসেলজদা ইস্লামিক সুইসাইদ বোম্মরশিংনা মীওই ৩২ হাৎখ্রবা মতুংদা য়ুম্লোন্নবা ফ্রান্সতা য়ুরো ২০১৬ সোক্কর টুর্নামেন্ট চথদুনা লৈবগা লোয়ননা য়ুরোপতা হৌজিক হায় সিক্যুরিটি এলার্ট লৈরি।

"টেররিজমগী মতাংদা চথবা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন অমগা মরী লৈননা মীওই ৪০ ৱাহং-পাউহং তৌনবগীদমক্তা লৌখৎখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই ১২ মখা তানা ৱাহং পাউহং তৌনবা ফাজিল্লে" হায়না প্রেসিক্যুটরগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

"ঙসি অথেংবদা ইনভেষ্টিগেসন তৌরিবা জজ অদুনা মখোয়বু দিটেন তৌবগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌগনি। ইনভেষ্টিগেসনদু মখা তানা চথরি" হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর চার্লজ মিচেলগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, দিফেন্স, জষ্টিস, হোম এফেয়র্স অমসুং ফোরন এফেয়র্সকী মিনিষ্টরশিং য়াওবা গভর্ণমেন্টকী সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা জি এম টি ১০০০দা মীফম অমা পাঙথোক্কনি। মদুগী মতুংদা ন্যুজ কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।



ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ব্রসেলজ অমসুং পেরিসকী এটেক্করশিংগী মরক্তা লিঙ্কশিং লৈরম্বা থেংনরে। এটেক্কর খরদি বেলজিয়মদা লৈ। বেলজিয়মগী ফেদরেল প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা হায়খি, থিবা হুন্বগী থবকশিং অদুদা নোংমৈ অমদি বোম্নচিংবা খুৎলাইশিং ফংখিদে। ইনভেষ্টিগেসন অদুদা গেরেজ ১৫২সু লোক-অপ তৌখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফ্রেঞ্চ পুলিস মতৈ-মনাও অমা পেরিসতা লৈবা মখোয়গীময়ুমগী মপান্দা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখি। এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখি। সোসল নেটৱার্কশিংদা থাদোরকখিবা ভীদিও অমদা এটেক্কর লারোসি অবালানা এটেক অদু সোক্কর টুর্নামেন্টগা মরী লৈনহল্লদুনা হায়খি, "য়ুরোজ অদু অচৌবা মোংফম অমা ওইরগনি।"

পেরিসকী পব্লিক প্রোসিক্যুটর ফ্রান্সুআ মোলিনগী স্পোক্সপার্সননা হায়খি, অবালাগা নক্নবা মীওই অনীনা থাংজ নুমিৎতা জজগা উনগনি। অহুমশুবা মীওই অমদি থাদোকখ্রে।

তোঙানবা দিভলপমেন্ট অমদা জুদিস্যারিগী সোর্স অমনা ঙরাং রোইটর্জদা হায়খি মদুদি, টুরিষ্টশিংদা এটেক চথনবা থৌরাং তৌরম্বনি হায়না চিংনবা চহী ২২গী নহা অমা টেররিজমগী মরালদা জেলদা থাজিনখ্রে। মহাক চয়োল অসিগী অঙনবদা ফাখিবনি।

ফ্লেমিশ পব্লিক ব্রোদকাষ্টর ভী টি এমনা হায়খি, মীওইশিং অদু চয়োল অসিগী অরোইবদা শান্নগদবা বেলজিয়মগী সোক্কর মেটচশিংগী মনুংদা অমদা ব্রসেলজদা এটেক অমা চথনবা থৌরাং তৌরি হায়না চিংনবদগী অহিংদা ফাগৎখিবনি।

বেলজিয়ন পাউচে লে সোইরনা হায়খি, ফেনশিংনা মেটচশিং য়েংবা মফমশিং লোয়ননা সোপ্পিং সেন্টরশিং অমসুং ষ্টেসনশিংগুম্বা অতৈ মী চিনবা এরিয়াশিং মিলিটেন্টশিংগী টার্গেটশিং ওইরকপা য়াই।

হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা বেলজিয়ন পুলিসনা বেলজিয়ম অমসুং ফ্রান্সতা এটেকশিং চথনবা থৌরাং তৌরদুনা ইস্লামিক ষ্টেট ফাইটরশিংগী গ্রুপ অমা সিরিয়া থাদোক্লগা য়ুরোপ পাংখ্রে হায়না ৱার্নিং পীবা এন্তি-টেরর এলার্ট অমা ফংখি হায়না সিক্যুরিটি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

পব্লিক ব্রোদকাষ্টর আর টি বি এফনা হায়খি, বেলজিয়মগী ক্রাইসিস সেন্টরনা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা গভর্ণমেন্ট মিনিষ্টর কয়া অকনবা ঙাক শেলগী চেকশিন থৌরাং মখাদা লৈহনখ্রে।

# নিগরদা বোকো হরামনা চথখিবা এটেক্তা পুলিস ওফিসর ৩৭ শিখ্রে, মীওই ৭না শোক্লে



নিয়ামি, জুন ১৮ (এজেন্সী) :

সাউথ ইষ্টর্ন নিগরদা বোকো হরামগী মিলিটেন্টশিংনা মিলিটরি বেরকশিংদা এটেক চথদুনা লান্মী তরেৎ হাৎখ্রে অমসুং অতৈ তরেৎনা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না নাইজেরিয়াদা বেজ তৌবা রেদিকেল গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

রেদিকেল গ্রুপ অদুনা ৱারোলদু ফোঙদোক্ত্রিৱৈগী মমাঙদা মিলিটরি সোর্ষশিংনা হায়খি মদুদি, মিনিষ্টরশিংগী দেলিগেসন অমনা নিগর টাউনদা লাকখিবা মতমদা বোকো হরামনা এটেক তৌখি।

এটেক অদুদা পুলিস ওফিসর তরেৎ শিখি অমসুং অতৈ ১২না শোকখি। মিনিষ্টর অমত্তা এটেক অদুদা অশোক অপন নংখিদে হায়না মিলিটরি সোর্ষশিংদুনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদু হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা রিফ্যুজিশিংগী চঙজফম ওইবা অমসুং লৈবাক মনুংদা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংনা নম্ফুদা ময়ুম মকৈ থাদোকহল্লবা কয়াগীসু লৈফম ওইরিবা লমদম অমদা চথখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

বোকো হরামগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি মদুদি, কালিফেটকী লান্মীশিংগী দিটাচমেন্ট অমনা দিফা এরিয়াগী খফম টাউনদা লৈবা নাইজেরিয়াগী লাইনিং লম্বী লৈতবা আর্মিগী মিলিটরি বেরকশিংদা এটেক অমা চথখ্রে। নোংমৈ কয়া অমসুং নোংমৈ মরু ময়াম অমা কলিফেটকী লান্মীশিংনা আর্মি বেরকশিংদুদগী লৌখৎলে।

মিলিটেন্টশিংনা খা থংবা নিগরগী টাউন বোসোপু পায়শিনখ্রবা মতুংদা বোকো হরামগী মায়োক্তা প্লান তৌবা কাউন্টর এটেক অমদা মতেং পাংনবগীদমক্তা য়ুম্লোন্নবা চাদনা ট্রুপশিং থাখ্রে। বোকো হরামগী এটেক অদুদা লান্মী ২৬ শিখি হায়রি।

নিগরগী গভর্ণমেন্টনা হান্নগী কলোনিয়েল পৱার ফ্রান্সতা নাইজেরিয়াদা বেজ তৌবা বোকো হরাম অমসুং অতৈ মিলিটেন্টশিংগী মায়োকতা মিলিটরি ওপরেসন কনখৎনবা তকশিনখ্রে। পনবা য়াবদি, ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক মঙাদা ফ্রান্সকী লান্মী ৩,৫০০ চাইদুনা লৈরিবনি।

নিগরগী দিফেন্স মিনিষ্টর হাশৌমি মেসাউদৌনা ঙরাং রেদিও ফ্রান্স ইন্টরনেসনলদা হায়খি মদুদি, রিজনেল লিদরশিংনা বোকো হরামগী মরমদা নৌনা ৱাখল তৌবা চঙলে। মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা রিজনেল ফোর্সশিংদা গ্রুপ অদুবু নাইজেরিয়াদা মায়থিবা পীনবসু আপিল তৌখি।

"ঐখোয়না মখোয় সুইসাইদ এটেক খরা চথরগা লৈবনি হায়না খনখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক মখোয়না মখোয়গী মিলিটরি ফোর্সশিং নৌনা শেমগৎ শাগৎখ্রে। ঐখোয়না চপ চাবা আর্মি অমগা থেংনরি।"

# ব্রজিলগী গেং রেপ কেসতা মীওই ৭ চার্জ তৌখ্রে




রিওদী জনৈরো, জুন ১৮ (এজেন্সী) :

মীওই তরুক অমসুং নুপামচা অমবু চহী ১৬কী নুপীমচা অমা রেপ তৌবা অমসু মহাক্কী ভীদিওশিং অমসুং পিকচরশিং ইন্টরনেটতা থাবগী মরাল শিখ্রে হায়না রিওদী জনৈরো পুলিসনা হায়রি।

কেস অদুনা ব্রজিলদা সেক্সিজম অমসুং মসিগা মরী লৈনবা ক্রাইমগী মরমদা দিবেট অমা লাকহনখি অমসুং লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা রিওনা সম্মর ওলিম্পিক্সকী হোষ্ট ওইগদৌরিবসিগী মাঙওইননা সিক্যুরিটিগী মতাংদা নুংনাংবা পোকহনখি।

ব্রজিলিয়নশিংগী থম্মোয় শোকহনখিবা কেস অদুগী লিদ ইনভেষ্টিগেটর ক্রিষ্টিয়ানো বেন্টোনা ইরাই নুমিৎতা ব্রজিলিয়ন প্রোসিক্যুটরশিংদা মহাক্কী ৱারোইশিন থাখ্রে। মহাক্না চার্জ তৌরিবা মীওই তরেৎমক ফাননবা হায়খি।

মালেম শিন-থুংনা শেগাক কায়খিবা কেস অদু থৌদোক্তু থোকখিবা মে ২১গী মতুং ইকুই-কুইদনা ট্বিটরদা ভীদিও অমা থাগৎলকখিবগী খঙনরকখিবনি।

ভীদিও ক্লিবতা ৱাখল তঙ্খায় মাঙখ্রবী নুপীমচা অদুনা ফম্মুংদা তাদুনা লৈরগা নুপাশিং অদুনা মঙোন্দা ঈকায়বা পীবা অমসুং মহাকপু মখোয় ময়াম্না রেপ তৌখ্রবনি হায়না পোংবগী শক্তম উখি।

চার্জ তৌরিবা নুপাশিংদুগী মনুংদা অমদি রা দি সুজা কৌবা অমনি। ইনভেষ্টিগেসন অদুদা মহাক্কী মোবাইল ফোনদা য়াওরিবা ভীদিওশিং অমসুং ফোটোশিং কুপ্না থিজিনখি। মদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক হৌজিক মীচেন ওইদুনা লৈরিবা অতৈ মীওইশিংগী মথক্তসু চার্জ তৌখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

বেন্টোনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা ফংবা ঙল্লিবা ইনফোর্মেসননা গেং রেপ অদু মীওই ৩৩না চথখিবনি হায়বা ভীক্টিম অদুগী ৱাফম অদুগা চুশিন্নবা ঙমদ্রি।

# অফঘান-পাকিস্টান বোর্দর নৌনা হাংদোকখ্রে

নঙ্গারহর, জুন ১৮ (এজেন্সী) :

লৈবাক অনীগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা চয়োল অমরোম অকনবা মঙংদা খুৎ থোক্নরুরবা মতুংদা অফঘানিষ্টানগী পাকিষ্টানগা তায়নবা য়েৎনরিবা বোর্দর পরিংদা লৈবা মরু ওইবা ফাওনফম অদু ঙসিদগী নৌনা অমুক হাংদোকখ্রে।

পাকিষ্টাননা ক্রোসিং অদুদা অনৌবা গেট অমা শাগৎপগী মতাংদা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানদবদগী তোর্খাম গেৎতা খুৎ থোক্লকখিবা নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখ্রে।

বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী মতম কুমজা ১৮৯৩দা চীংলম্বা দুরন্দ লাইন বোর্দর অদু অফঘানিষ্টান্না য়াদ্রি অমসুং বোর্দর অদুদা ঙাক শেল্লিবা অফঘান পুলিসনা মফম অদুদা পাকিষ্টান্না প্রোজেক্ট অমত্তা পায়খৎপা য়াহল্লোই হায়না চেৎনা ফোঙদোকখি।

নাকল অনীমক্কী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, কাবুল অমসুং ইস্লামাবাদনা য়ানবা অমা পুরক্লবা মতুংদা ক্রোসিং অদু নৌনা হাংদোক্লে। "লম্বী ফাওনফম অদু নৌনা হাংদোকপদা সেন্ট্রেল অমসুং রিজনেল লেভেলদা নিগোসিয়েসন্স তৌনখি" হায়না অফঘানিষ্টানগী নঙ্গাহর প্রোভিন্সকী গভর্নরগী স্পোক্সমেন অতৌলা খোগয়ানিনা ঙসি হায়খি।

এরিয়া অদুদা থাজিনখিবা মিলিটরি রিইনফোর্সমেন্টশিং মফম অদু থাদোক্লবা খঙহনখ্রে অমসুং চয়োল অমরোম পুংলেপ লেপ্পুনা লৈরুরবা মতুংদা নাকল অনীনা বোর্দরদা ফাওদোক ফাওজিন তৌবদু মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনখ্রে হায়না অফঘানিষ্টানগী মায়কৈদা ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখি।




চয়োল খুদিংগী ভেহিকল লীশিং কয়ানা ক্রোসিং অদু ফাওদুনা চৎনবনা মদু লৈবাক অনীগী মরক্তা য়াম্না মরু ওইবা লল্লোন-ইতিক্কী লিঙ্ক অমা ওইদুনা লাকখি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, এগ্রীমেন্ট অদুগী শরুক অমা ওইনা পাকিষ্টানদা চঙবা মতমদা অফঘানশিংনা ওফিসল দোক্যুমেন্টশিং তঙাইফদনা চঙগনি। নাকল অনীমক্না এক্সিত্রিমিষ্ট গ্রুপশিং শৌগৎতুনা এটেক কয়া চথহল্লি হায়না অমগা অমগা মরাল শীনদুনা লাকখি।

টালিবান মিলিটেন্টশিংগী অকি-তুজুং পোকহনবা অকনবা লালহৌ লাকশিন্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরবা অফঘানিষ্টাননা পাকিষ্টানবু ফাইটরশিং অমসুং এলাইদ নেটৱার্কশিং লৈবাক অদুদা য়োকখৎতুনা থমই হায়না মরাল শীরি।

অমরোমদা, লালহৌবশিং শৌগৎলি হায়না কাবুলনা মরাল শীরক্লিবদুবু পাকিষ্টাননা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে লোয়ননা তোর্খামদা ৱাল অমদি গেট শাগৎলিবদু অফঘানিষ্টানলোমদগী পাকিষ্টান-লোমদা লালহৌবশিং চঙশিল্লকপা থিংনবনি হায়খ্রে।


## OFFICE OF THE
## STATE HEALTH SOCIETY, NHM, MANIPUR

**N O T I C E**

Imphal, the 17th June, 2016

**No. 134/CS/HR/NHM-2015(Pt-I) :** The proposed interview/viva-voce for engagement of different categories of contract staff under the State Health Society, NHM, Manipur will be conducted in the office of Medical Directorate, New Building, Opp. RIMS, Imphal, Manipur as per scheduled below -

| Sl. No. | Category | Admit Card Serial No. | Date of Interview (10 a.m. to 4:30 p.m.) |
|---|---|---|---|
| 1. | Legal Officer | 01 to 06 | 27/06/2016 |
| 2. | Dental Assistant | 01 to 05 | 27/06/2016 |
| 3. | Data Entry Operator | 01 to 92 | 27/06/2016 |
| 4. | Instructor of Hearing Impaired Children | 01 to 37 | 28/06/2016 |
| 5. | Counsellor | 01 to 78 | 28/06/2016 |
| | | 79 to 157 | 29/06/2016 |
| 6. | Data Assistant | 01 to 36 | 29/06/2016 |
| 7. | Laboratory Technician | 01 to 116 | 30/06/2016 |
| 8. | AYUSH Pharmacist | 01 to 24 | 30/06/2016 |

All the candidates are informed to appear in the interview/viva-voce in time bring all the original documents, mark sheets etc., at the interview/viva-voce.

Sd/-
**Dr. O. Ibomcha Singh**
Director (Health)/Mission Director
State Health Society, NHM, Manipur

HL-B/3142/18 to 21 Jun







# EMPLOYMENT NEWS

**UPSC RECRUITMENT 2016 – NATIONAL DEFENCE ACADEMY & NAVAL ACADEMY EXAMINATION (NDA – II) 2016 (410 VACANCIES) – LAST DATE 15 JULY**

**UPSC Recruitment 2016**

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the National Defence Academy & Naval Academy Examination (II) 2016 in 410 Vacancies. Apply Online before 15 July 2016.

**Advt. No. :** 10/2016.NDA-II

**Job Details :**

**Post Name :** National Defence Academy & Naval Academy Examination (II) 2016

**No of Vacancy :** 410 Posts

**Wing wise Vacancies :**

**National Defence Academy :** 355 Posts (208 for Army, 55 for Navy and 92 for Air Force)

**Naval Academy :** 55 Posts (10+2 Cadet Entry Scheme)

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment:**

**Educational Qualification :**

**For Army Wing of National Defence Academy :** 12th Class pass of the 10+2 pattern of School Education or equivalent examination conducted by a State Education Board or a University.

**For Air Force and Naval Wings of National Defence Academy and for the 10+2 Cadet Entry Scheme at the Indian Naval Academy :** 12th Class pass of the 10+2 pattern of School Education or equivalent with Physics and Mathematics conducted by a State Education Board or a University.

**Note :** Candidates who are appearing in the 12th Class under the 10+2 pattern of School Education or equivalent examination can also apply for this examination.

**Nationality :** Indian

**Age Limit :** Candidates born not earlier than 02nd January, 1998 and not later than 1st January, 2001

**Job Location :** All India

**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.

**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 100/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST candidates/Sons of JCOs/NCOs/ORs specified who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 15.07.2016.

**Important Dates to Remember :**

**Last Date for Submission of Online Application :** 15.07.2016

**Date of Examination :** 18.09.2016

**Important Links :**

**Detail Advertisement Link :** http://www.upsc.gov.in/exams/notifications/2016/NDA_II_2016/Notice_Engl_NDA_NA%20_II_%20Exam_16_New.pdf

**Apply Online :** http://www.upsconline.nic.in/mainmenu2.php

**UPSC RECRUITMENT – 257 ENFORCEMENT OFFICERS/ACCOUNTS OFFICERS VACANCIES – LAST DATE 23 JUNE 2016**

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of 257 Enforcement Officers/ Accounts Officers in Employees' Provident Fund Organisation, Ministry of Labour & Employment. Apply Online before 23 June 2016.

**Advt. No. :** 53/2016

**Job Details :**

**Post Name :** Enforcement Officers/Accounts Officers

**No of Vacancy :** 257 Posts

**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-

**Grade Pay :** Rs. 4600/-

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment:**

**Educational Qualification :** Bachelor's Degree in any Subject.

**Nationality :** Indian

**Age Limit :** 30 years

**Age Relaxation :**

**For OBC Candidates :** 3 years

**For SC/ST Candidates :** 5 years

**For PH Candidates :** 10 years

**Job Location :** All India

**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.

**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 25/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 23.06.2016.

**Important Dates to Remember :**

**Last Date for Submission of Online Application :** 23.06.2016

**Last Date for Completely Submission of Online Application :** 24.06.2016

**Important Links :**

**Detail Advertisement Link :** http://www.upsc.gov.in/recruitment/advt/2016/Spl_Advt_53_16_Short_ORA.pdf

**Apply Online :** http://upsconline.nic.in/oraepfo/vacancy.php